# কুমজা ২০০৭তা ভোপাল স্পোর্টস একাদেমিদা লৈবা ফংজরকপদগীদি ঐহাকসু রোয়িং মশান্না অসিদা ইশাগী স্পোর্টস করিয়র অমা শেম্বা ঙমজরকখি



ক্ষেত্রিময়ূম রানাপ্রতাপ
রোয়িং শান্নরোয়

(হান্নগী মখা...)

ভোপাল একাদেমিদা লৈদুনা শান্নরকপদগীদি ইশাদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী এক্সপরিয়েন্সশিংসু মথং-মথং লৈবা হৌরকখ্রে। মণিপুরদা শান্নজরিঙৈদা পৱার প্লে ঙাক্তা শান্নরম্বদু টেক্নিকেল প্লে ওইনা শান্নবা ঙম্লকখ্রে। নোলেজ সুম হেঙ্গৎলকপদগী শান্নবসিসু মশক খঙনা নুংঙাইনা শান্নজবা ঙম্লকখ্রে। অদুগা ভোপালদদি খূৎশু-খূৎলায়গী অৱাৎপসু অমত্তা লৈত্রে। ঐগী মীংদা হি অহুম লৈ। অমা য়াদ্রগসু মহুৎ শিন্ননবা হি অমনে, এক্সত্রা ওইনা পেকিং তৌরগা অমগা পূন্না অহুম থম্মী। অদুনা প্রেক্টিশ কন্না তৌরকপসিদা অমা য়াখিদ্রবসু থোইনা নুংশা থিনীংঙাই ওইদে। করম্না খূৎশু-খূৎলায় শীজিন্নগদগে হায়বসিসু মশক খঙনা মুন্না তম্বীরকখ্রবনিনা পায়দুনা শান্নরকপা মতমদসু ফোর্ম শৎ-শৎ তাবা ঙম্লকখি। থিওরিদা মুন্না তাকপীরকপগী কান্নবসি, প্রেক্টিকেল ওইনা শান্নরক্লবা মতমদা হেন্না ময়েক শেংবসু হেল্লকই।

অমরোমদা, ভোপাল একাদেমিদা লৈবা মতমসিদা ঐখোয়দা স্পোর্টসখক্তং তম্বীরকখিদে। পুন্সিদা মী অমা ওইনা হিংবা ঙম্ননবা, স্পোর্টস হায়বসিনা করিনো? এদ্যুকেসন হায়বসিনা করিনো? হায়বসিসু মুন্না তাকপীরকখি। স্পোর্টসকী মতাংদনা কোচশিংনা তাকপী তম্বীরকখি। লাইরিক-লাইশুগী মতাংসিদসু তোঙান্না ওজা থমদুনা ঐখোয়বু তাকপীরকখি। অসিদসু নত্তনা মমিং লৈরবা অফাওবা এদ্যুকেটরশিং কৌদুনা য়াদে হায়বা ৱাখলনচিংবসু খরা লুশিন্না খলহল্লকই। শান্নবগী কোচশিংনবু ওইরবসু, লাইরিক্কী ওজাশিংনবু ওইরবসু ঐখোয়দি কোচ অমা ওইনা, লাইরিক লাইশু তম্বীবা ওজা অমা ওইনা তাকপীবা য়াবশিংদুদি ফজনা অদুম তাকপীগনি, তম্বীগনি। ঐখোয়না তাকপী তম্বীরিবশিং অসিদা নখোয়না থৱায় য়াওনা হোৎনজরগা মী ওইননবা নশাগী পাঙ্গল লৌশিং থাদজগদবনি। একাদেমিদা লৈরিবা প্লেয়র খুদিংমক, লোয়নমক মী ওইগনি হায়বা লৈতে। খরা হেন্না হোৎনবা, মশাগী ভিজন অমা য়াওনা তকখায়দুনা শান্নরকপা ঙম্বশিংদুখক্তনা মী ওইবা ঙমগদবনি। ইহান হানবা ওইনা, নখোয়না একাদেমিদা লৈরিবসি করিগীনো

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**রোয়িংদা মীৎয়েং অমা**

নোংমাইজিং খুদিংগী ঐখোয়দা মমল য়াম্লবা লেকচরশিং তাহল্লি। ইশা ইশাগী পুন্সিবু মুন্না খঙজনবগী মতাংদসু অখঙ-অহৈশিংনা মতাং চানা চানা লাক্লগা ৱা ঙাঙলৈ। মদুগুম্বা লেকচরশিংদু ঐখোয়দসু য়াম্না কান্নখি। যূম থাদোক্তুনা ঐখোয়না একাদেমিদুদা লাক্লিবদু করিগীনো হায়বা খঙলকপা মীৎকুপ্তা ঐখোয়দা হেন্না হোৎননীংবা, স্পোর্টসতা মায় পাক্লবা হোৎনদবা হায়বসি মুন্না খঙউ হায়দুনা তাকপীরকখি। মসিবু খঙদ্রবদি নখোয় পুন্সিগী মশক অমা লেপ্পা খক ঙম্লোই হায়বিরকখি। ঐগী ওইনদি মখোয়না পীবিরকখিবা লেকচরশিংদু য়াম্না কান্নবা ফংখি। লাপ্পা যূম থাদোক্তুনা লাক্লগা মী ওইবা ঙমদ্রবদি কান্নদে। ইমা-ইপাগী লমজিং লমতাক মখাদা লৈবা নত্তবনিনা হৌজিক্তি ঐহাক মখোয়না তাকপীরবা গাইদ লাইনসিগী মখাদা



হিংদুনা মী ওইননবা হোৎনবা তাবনি হায়বসি খল্লকখি। অদুগা ঐদি একাদেমিদা লাক্লবা মতুংদা ক্লাস এলেভেন অমদি টুয়েল্বসি লোইশিঞ্জখিবনি। মখাদি শান্নবদনা খরা হেন্না মায় ওনশিনখিদুনা গ্রেজ য়েসনসিদি লোইশিনহৌদ্রে।

একাদেমিদা লৈবসিগী কান্নবা ময়াম অমসু ঐহাক ফংজরকখি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ঐখোয় শান্নরোয় ময়ামসি হেক চঙলকপা মতমসিদদি অমগা অমগা ক্লোজ ওইনা তিন্নবা নত্তে। নুমিৎ হুমনি-মরিনিরোমদি ফুন-চৈনগে তৌবা ময়াম অমসু থোকই। অদুবু একাদেমিগী ওফিসল কাঙবুনা নুমিৎ খরনি লেকচর তপ্পা তপ্পা পীদুনা লাকশিল্লকপদগীদি ঐখোয়সি অমত্তা ওইনা ইরায় লায়না পুনশিন্নরকপা ঙম্লকখি।

লোল ফাওনদ্রিঙৈ মতমদুদদি, শক-চু মান্নদবা লীচৎ-শাজৎ খেন্নবা কয়াসু য়াওনবনিনা ৱা শুকঙাঙ ঙাঙনদনা বোদি লেংগ্বেজখক্তনা মীৎ-না শুকতোক্লদুনা ফুনগে তৌবা মতাং য়াম্না য়াওখি। খরা চাওখৎপা ষ্টেটতগী লাকপনি খঞ্জবশিংনা অতৈদা উশিৎতবা অদুগুম্বা ময়ামসু অদুম থোকখি। অদুবু, নুমিৎ খরনি হৌখ্রবা মতুং, লোল-লী ফাওনদুনা ৱারী-ৱাতাই শানবা ঙম্লকপা, পূন্না-পূন্না শান্নমিন্নরকপা, স্কুল কামিন্নরকপা, চামিন-থকমিন্নবা পুল্লকপদগীদি লোইনা মাঙখি। অদুদগীদি নুংশিন্নরকখি। মসিসু মতম খরদি চঙই।

ওজাশিংনসু স্পোর্টসকা মরী লৈনবা কয়াসু ঐখোয়দা তত্তনা তম্বী। স্পোর্টসকী ফজবা ৱাহল্লোকশিংসু নিংথিনা তাকপী। কোন্নথংদদি ঐখোয় পূম্নমকসি ইমুং অমত্তদা লৈমিন্নবা মেম্বর ঙাক্তনি হায়বা খলহল্লকখি। অদুনা শান্নমিন্নবা, প্রেক্টিশ তৌমিন্নদবসু নুংঙাইরকখি। ঐখোয় ঐখোয়গী ওইনা পূন্না ট্রেনিং তৌমিন্নরকপা মতমসিদসু ঐখোয় মশেলসি ৱাখল ফজনা ফাওদোক্লদবা য়াদে। ট্রেনিং তৌদুনা হি হোনমিন্নবসিদা ঐখোয় অনী শান্নমিন্নবগী ওইরো, ঐখোয় মরি হোনমিন্নবদবু ওইরো ময়াম পুল্লপ হোনমিন্নবদবু ওইরো ঐখোয় লোইনমকসি অমগা অমগা ৱাখল মুন্না ফাওদোক্লদবা য়াদে। মসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। শান্নমিন্নরিবা প্লেয়র ঐখোয় মশেনসিসু মতম চূপ্পদা অফবা মরী লৈনবা অমা চঙই। টিম ৱর্ক শান্নবসিদদি ঐখোয় মশেলগী অন্দরষ্টেন্দিং অসি ফজনা লৈনবা তাবনি। হেক লৈনবা ৱাৎপদা ফজনা শান্নবা শুকঙম ঙম্লোই।

-মথং-মথং



# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১২

১) মহাক কুমজা ১৯৮৪ ফাওবা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মসিনা মহাক্কী তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াখিবা ওলিম্পিকনি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৪গী ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ১৯শুবা তাখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২) অনীশুবা লাঞ্জাওদা ঐহাক চহী ১০ শুরে। লাঞ্জাও অদুদা ঐহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অনীমক লৈখিদ্রে। মখোয়না লৈখিদবগী মরমদি চাবা ফংদবা অমদি ঈশিং-নুংশিৎ য়াম্না ঈংবননি। লাঞ্জাও লোইরবা চহী ১০গী মতুংদা ঐহাক্না ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা এথলেটিক্সতা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক কনানো?

৩) মহাক্না দিস্কস লংবা তম্বদা "The Blue Danube" হায়বা ঈশৈ অদু তাহল্লগা ঈশৈ অদুগী তানগা লোয়ননা দিস্কস লংবগী হকচাং অদু সর্কল মনুংদা রোটেট তৌবা হায়বদি হকচাং লৈবা তম্বীখি। মহাক দিস্কস চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?

৪) ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্কী মতাংদা মখাগী ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে? "I hope to lead the olympics to success with all of you."

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নুপী টি-২০ ট্রাই সেরিজদা ইন্দিয়াগী টিম ইংলেন্দগী মখুৎতা ৱিকেট ৪দা মায়থীবা নংখ্রে

মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অহুমগী ওইবা টি-২০ সেরিজগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম ইংলেন্দগী মখুৎতা ৱিকেট ৪দা মায়থীবা নংখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা ইন্দিয়ানা বেট্টিং তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অদুনা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৩খক লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর স্মৃতি মন্দনানা বোল ৪০দা রন ৪৫ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফজরম্লবা মতুং মখা তারকপদা ইংলেন্দগী বোল্লরশিং অদুগী এটেক্তা রন লৌবগী চাং হন্থরকপা মরম্না ওভর ২০ লোইশিল্লকপা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা শুপ্পগী রন ১২৩ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা জেমিমা রোদ্রিগেজনা রন ২৩ লৌরম্বা অদুনা মন্দনাগী অচৌবা মতেং অমা ওইখিবনি। লোয়ননা কেপ্টেন হরমন প্রিটনা রন ১৪ লৌরমখিবা অদু অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগা য়েংনরুবদা পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

লৈবাক অহুমগী টি-২০ সেরিজ অসিদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা অহানবা মেচতা ঙসি লম্বা তৌনখিবা ইংলেন্দগী টিমবু মায়থীবা পীবা ঙমখি। মদুগী মতুং অনীশুবা টি-২০ মেচতা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা ৱিটেক ৪দা মায়থীবা নংখিবনি। মেচ অমা মায় পাক্লগা অমা মায়থীখ্রবা মতুং ঙসিগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম্না মায় পাক্লবা হোৎনরকপদা বেট্টিংগী হিরমদা রন য়াম্না লৌবা ঙমখিদবা মরম্না অৱাৎপা অমা ওইখি।

রন ১২৪গী টার্গেট তৌখিবা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ৱিটেক ৬ আউট ওইরগা ১৯শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ৬ তুরগা মেচ অদু মখোয়না ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীবা ঙমখি।



# নোর্থ ইষ্ট অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

Match on 8 Feb. (Sat) 2020
ATK Vs ODISHA

গুৱাহাতি, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী অমসুং কেরালা ব্লাষ্টর্স এফ সী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী য়ুম্বু ওইখিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ১৩দা মেচ ২খক মায় পাক্লগা মেচ ৬ মায়থীবা নংখ্রবা মতুং মেচ ৬ মায়থীদুনা পোইন্ট ১১ ফংলগা টিম ১০গী কম্পিটিসন অদুদা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখি।

অমরোমদা কেরালা ব্লাষ্টর্স এফ সীসু মেচ ১৫ শান্নখিবদা ৩ মায় পাকখিবা, ৬ মায়থীবা অমদি মেচ ৬ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। টিম অনীমক মায় পাক্তুনা মপুং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংন্নবা য়াম্না কন্না শান্নবা হৌখি।

টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা পুশিন্নখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা মেচকী অপীবা মিনট ৯০ লোইশিনখি। হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল লৈত্রবা টিম অনী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা ঙসিগী মেচ অদু লোইশিনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা এফ সী গোৱা পোইন্ট ৩৩ ফংদুনা সেমিফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। মখা তারকপদা এ টি কে (৩০), বেঙ্গালুরু (২৮) অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সী (২৬) লৈরি।

# টর্কিগী এক্সপোজর টুরদা রোমানিয়াগা শান্নগদবা মেচতা ইন্দিয়াগী টিমদা মণিপুরগী নিরমালা, সিলকি, মার্তিনা অমসুং প্রিয়াঙ্কা য়াওরি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী নবেম্বর ২দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী টিমনা টর্কিগী এক্সপোজর টুর অমদা রোমানিয়াগা শান্নগদবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিমদা মণিপুর মচা ফঞ্জৌবম নিরামলা, হেমাম সিলকি, থোকচোম মার্তিনা অমসুং নাওরেম প্রিয়াঙ্কা য়াওরি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা টর্কিগী কোনুং ইষ্টানবুলদা রোমানিয়াগী চহী ১৭ মখাগী নেসনল ফুটবোল টিমগা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৯দা মেচ অনী শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টিম অসিগী কোচ থোমাস দেনরবিনা ফোঙদোকখিবদা রোমানিয়াগা মেচ অনী শান্নগদৌরিবা অসিদা টিম অসিগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদা অহেনবা খুদোংচাবা কয়া ফংলগনি। ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা শেম শাবা ওইনা রোমানিয়াগী টিমগা লম্বা তৌনবদা য়ুরোপিয়নগী ফুটবোল মশান্না অদুগী কান্নবা কয়া ফংগদৌরি।

শকওং শাদানা হেন্না ফবা রোমানিয়াগী শান্নরোয়শিংগা ৱান টু ৱান শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা কান্নবা কয়া ফংবা ঙমগনি হায়না কোস দেনরবিনা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তাখিবদা মিনট ৯০গী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং কদায় ফাওবা পাঙ্গল পুথোকপা ঙমগনি হায়বদু হন্দক্কী টুর অসিদা খঙবা ঙমগদৌরি।

টর্কিগী টুরদা রোমানিয়াগা শান্নগদবা মেচ ২দা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি- গোল কিপ্পরদা তনু, অনিস্কা অমসুং সর্কে। দিফেন্দরদা ফঞ্জৌবম নিরমালা, হেমাম সিলকি, জোতি, দুর্গা, সুধা, অস্তম অমসুং নিসা। মিদফিল্ডদা থোকচোম মার্তিনা, নাওরেম প্রিয়াঙ্কা, কিরন, অভিকা, নিতু, মারিয়ামল, সুভা, সুনিতা, অঞ্জু, অমিসা অমসুং প্রিয়াঙ্কা। ফোরৱার্দতা সুমতি, দেসি, মনিসা নাইক অমসুং কারেন ইষ্ট্রোসিওনি।

# গোকুলম কেরলানা বিদেস ইলভেনবু ৫-০দা থোইখ্রে

বেঙ্গালুরু, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী):

কর্নাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চত্থরিবা হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি'গী ৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা গোকুলম কেরলানা বিসেদ ইলভেনবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মাংজৌননা হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা গোকুলম কেরলানা বিদেস ইলভেনগা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ অদুগী অরোইবা লীগ মেচতা হৌবদগী খুদুম চনবা ঙমখি।

গোকুলম কেরাদা শরুক য়ারিবী মণিপুরম চা কমালানা ৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। বিদেস ইলভেনগী টিম অসি মমাঙগী শান্নখিবা লীগ মেচ অসিদা মেচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদবনি। অমরোমদা গোকুলম কেলারগী টিম মেচ ৪ শান্নবদা মরিমক মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

কমালাগী পাঞ্জল অদু অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা বিদেস ইলভেনগী সিন্দিয়াগা শোইবদগী পাঞ্জল অমা মহাক্কী গোল মনুংদা কাউশিনজদুনা গোকুলমগী অনীশুবা পাঞ্জল ওইহনখি। মেচকী ৬৩শুবা মিনটতা এটেক চত্থরকখিবা গোকুলম কেরালাগী মায়কৈদগী সবিত্রা ভন্দারিনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

মদুগী মতুং মেচকী ৮২শুবা মিটতা গোকুমল কেরালাদা শরুক য়ারিবা মণিপুরী মণিপুর মচা উমাপতিনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৪-০দা মাংজিল থাখ্রবা মতুং টিমমেট করিসমা সিরবোইকরনা ৮৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৫-০দামায় পাকখি।

# স্বিদেনগী এন্দ্রে গোরান্সেন অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী খৃষ্টোফর রুকাটনা জর্মনি অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখ্রে

পুনে, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী সিটি পুনেদা পাঙথোক্লিবা মহারাষ্ট্র ওপন (টাটা) টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা স্বিদেনগী এন্দ্রে গোরানসেন অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী খৃষ্টোফর রুংকাদ ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা সেমিফাইনেলদা স্বিদেনগী গোরানসেন অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী রুংকাদনা জর্মনিগী এন্দ্রে বেগিমেন অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী রোমেন অর্নেদোগা অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



গোরানসেন অমসুং রুংকাদকী পেয়রনা বেগিমেন অমদি অর্নেদোগী পেয়রবু ৬-৪, ৭-৬ (৭-১)দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। পেয়র অদুনা ইন্দিয়াগী পেয়র পুরব রাজা অমদি রামেস রামকুমার রামনাথননা ইজ রেলগী জোনাথন অর্লিক অমদি বেলারসকী এ বাসিলেপস্কি অনীগী অথোইবা অদুগা ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ইটালিগী রোবার্টো মারকোরাবু ওষ্ট্রেলিয়াগী জেমস দগৱার্থনা ৬-৩, ৭-৬ (৭-৪)দা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা জপানগী য়ুচিসুগিতাবু লিথ্বানিয়াগী রিকার্দেজ বেরেনকিসনা ৪-৬, ৭-৬ (৭-৪), ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয় অদু জেক রিপব্লিক্কী জিরি বেসিলিনি।

জিরি বেসিলিনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা বেলারসকী ইলয়া ইভাস্কাবু ২-৬, ৬-১, ৭-৬(১৩-১১)দা মায়থীবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং নুপাগী সিঙ্গলসকী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱু কোন অমদি ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় বেলারসকী ই জেরাসিমোমকা লম্বা তৌনরগনি।

# অনীশুবা সেমীফাইনেলদা বংলাদেশনা ন্যু জিলেন্দবু ৱিকেট ৬তা থোইদুনা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা শান্নরগনি

পোটচেপষ্ট্রুম, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী):

সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা চহী ১৯ মখাগী আই সী সী ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমিফাইনেল বংলাদেশনা ন্যু জিলেন্দবু ৱিকেট ৬তা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেচ অদুগী টোস বংলাদেশনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০ ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ২১১ লৌবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী হৌরকপদা ফিভম শোকখিবা অদু মিদল ওদর বেটচমেনশিংনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা টিম অদুগী স্কোর অদু শেমগৎপা ঙমখি।



টিম অদুগী মায়কৈদগী ৬শুবা বেটচমেন বেখাম হ্বিলরনা আউট ওইদনা বোল ৮৩দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৫ য়ৈদুনা রন ৭৫ লৌখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাঙখিবা শান্নরোয় অদু বোল ৭৪দা রন ৪৪ লৌখিবা নিকোলাস লিদষ্টোননি।

মায়পাক্নবা রন ২১২গী টার্গেট লৈখিবা অদু বংলাদেশকী মায়কৈদগী ওভর ৪৫গী অহানবা বোলদা বেটচমেন ৪ আউট ওইরগা রন ২১৫ লৌবা ঙমদুনা মেচ অদু ৱিকেট ৬তা থোইদুনা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

বংলাদেশকী মায়কৈদগী মহম্মদ হসন জয়না বোল ১২৭তা ফোর ১৩ য়ৈরগা রন ১০০ লৌখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি। মহাকপু য়াম্না চাওনা মতেং পাংখিবা শান্নরোয় অনী অদুদি টৌহিদ রিদোয় অমসুং সাহাদট হোসেননি।

রিদোইনা বোল ৪৭তা রন ৪০ লৌবা ঙমখি। অদুদা সহাদট হোসেননা আউট ওইদনা বোল ৫১দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪০ লৌবা ঙমখি। মায়পাক্লবা বংলাদেশকী টিম অদুনা থা অসিগী ৯দা ৱর্ল্ড কপ অসিগী মমাংগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।